## থাঙ-তাগী ওজাশিংগী মীফম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়ল আর্ট এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না লমদম অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা থাঙ-তাগী শিন্তাকপা ওইনা চৎপীদুনা থাঙ-তা তাকপী-তম্বীরিবা ওজাশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদা কোনুং মমাঙদা লৈবা কিমাক্সকী হেদ ওফিসতা পাঙথোক্কদৌরি। মীফম অসিদা হন্দক বোসেমনা লৌগদৌরিবা ক্লাস টেন এগজামিনেসন অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কনি হায়রি। মীফম অসিদা থাঙ-তাবু তাকপী-তম্বীরিবা ওজা খূদিংমক্তা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

## ফার্মর এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): ডেপ্যুটি ডিরেক্টর কাংপোকপী অমসুং প্রোজেক্ট ওফিসর আই সী ডি পোরোম্পাৎনা পূন্না শীন্দুনা ঙরাং কাংপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী চারহজারদা আর্টিফিসল ইনসেমিনেসন ইন কেট্টল হায়বা হীরম অসিদা ফারমর্স এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ফার্মর ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। শঙ্গোম হেন্না থোকপী ষণ অমসুং এ আইগী মরুওইবা কয়াসু ট্রেনিং অদুদা রিছোর্স পর্সনশিংনা ৱা ঙাঙদুনা লৌমীশিংদা খঙহনখি হায়রি।

## ককচিং ডিষ্ট্রিক্টতা অথিংবা থম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা এগজামিনেসন ইং-তপ্না পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা ডিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ককচিং ডিষ্ট্রিক্টতা হায়জরকপগী মতুং ইন্না ককচিং ডিষ্ট্রিক্টকী ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামিনেসনগী সেন্টর ওইরিবা ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ককচিং খুনৌ কোলেজ উমাথেল, পদ্মা রত্না ইংলিস হায়র সেকেন্দরি স্কুল ককচিং অমসুং শুগুনু হায়র সেকেন্দরি স্কুল শুগুনুদা থা অসিগী ১৯ দগী লাক্লিবা মার্চ ২৮ ফাওবা অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা সী আর পি সীগী সব-সেক্সন ২ গী মখাদা অথিংবা থম্লে হায়রি। এগজামিনেসন সেন্টরগী অকোয়বা মিটর ১০০ না কোনবা মফমশিংদা মী শিবা য়াবা খূৎশু-খূৎলায়, চৈ-নূং অমসুং নোংমৈনচিংবা পুদুনা চৎপা য়াদবগা লোয়ননা মীওই ৫ দগী হেন্না পূনবদা অথিংবা থম্লে হায়রি।

## জোব ফ্যের পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট) ইম্ফালগা নেসনল কেরিয়র সর্ভিস, মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা পূন্না খূৎশম্নদুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা লাক্লিবা মার্চ ২৩ দা জোব ফ্যের অমা পাঙথোক্কনি।

হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকপগুম অৱাং নোংপোক লমদমগী মরুওইনা মণিপুরগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু থবক পীনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা জোব ফ্যের অসিদা ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী লাকপা জোব প্রোভাইদর ১৫ দগী ৩০ ফাওবনা শরুক য়াগনি হায়না থাজবা পীরকপা লৈরে। মরম অদুনা প্রাইভেট সেক্টর, পব্লিক সেক্টর, বিজনেস ইষ্টাব্লিসমেন্ট, ইন্দষ্ট্রিশিং, ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং, মোটোর দীলরশিং, এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসনশিং, হোস্পিটালশিং, বেঙ্কশিং, কোরিয়র সর্ভিসশিং, হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্ট নচিংবনা খ্বাইদগী ফবা কেন্দিদেটশিং খলহৌনবা জোব ফ্যের অসিদা শরুক য়ারনবা নৈলিটকী ইগজেক্যুটিভ ডিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## জি বি মীটিং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস) : মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী ৫১ শুবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## এৱ্যেরনেস কেম্প

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস) : য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমসুং নাবার্দনা শীন্দুনা কৌত্রুক্কী কৌত্রুক য়ুথ ডিভলপমেন্ট ক্লব (কে ৱাই ডি সী) অমদি কৌত্রুক নুপী লুপকা খূৎশম্নদুনা য়ু বি আই রিমস লম্ফেলপাৎকী চীফ মেনেজরনা বেঙ্কতা লৈবা ইন্সুরেন্স স্কীমশিং অমদি জে এল জি, এস ঐচ জি অমদি মুদ্রানচিংবা স্কীম কয়াগী মরমদা মীয়ামদা শুগাইনা খঙহনখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউখুমগী সেসন অমসু পাঙথোকখ্রে। এল পবিত্রোনা প্রসিদেন্ট, আই প্রদিপ কুমার চীফ মেনেজর অমসুং এল উপ্রো, কেঐচ ইন্দ্রমনি অমসুং ঐচ সুভাসনচিংবনা ডেসতা ফমখি হায়রি।

# থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মালেমগী কেন্সর ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): মালেমগী মফম কয়াদা পাঙ-থোক্লবগুম ৱর্ল্ড কেন্সর ডেগী থৌরম নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রীভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ কেন্সর, ডাইবেটিস, সী ভি ডি এন্দ ষ্ট্রোক, এন পি সী ডি সী এসকী মখাদা ডিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসন সোসাইটি থৌবাল অমসুং এন সী ডি সেল থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

ৱী কেন আই কেন হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী ডেপ্যুটি কম্মিস্নর হাওবম রোসিতানা চীফ গেষ্ট, ডিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালগী ডিষ্ট্রিক্ট মিসন ডিরেক্টর অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসর ডো. এন জয়ন্তকুমারনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী গাইনিগী স্পেসলিষ্ট ডো. ইমোচৌবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডি সী থৌবাল রোসিতানা হায়খি, ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা ঐখোয়গী হকচাং অসি লায়না-লায়ওং করি করি লৈরিবগে হায়বগী চাংয়েং তৌথোকপগী হৈনবী লৈতে। চহী অমগী নুমিৎ ৩৬৫ নি অসিদা নোংমতং মতম কাইথোক্তুনা হকচাং অসি চাংয়েং তৌথোকপীরবদি কেন্সর লায়নাদা নত্তনা অতোপ্পা লায়না-লায়ওং কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

দল্লিয়ু ঐচ ওনা কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদগী কেন্সর মুখৎপগী পান্দম থল্লিবা অসিগী মনুং চন্না ডিষ্ট্রিক্ট অসিদগীসু কেন্সর লায়না অসি মুখৎনবা হোৎনবদা ডিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংগনি লোয়ননা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী এন সী ডি ক্লিনিক্তা নোংমগী ওইবা লেম্না সর্ভিকেল অমসুং ওরেল কেন্সর লৈব্রা হায়না চাংয়েংসু পাঙথোকখি। কেন্সরনা নাদুনা চহী ৪০/৪৫ হিংদুনা লাক্লবা মীওই মরিদসু অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

## স্কাই হোস্পিটালনা পোকপদগী হার্টকী অনাবা লৈরবী অহল ওইরবী নুপী অমা লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): স্কাই হোস্পিটালনা অহানবা ওইনা পোকপদগী হার্ট হোদুনা নারবী চহী ৫৫ শুরবী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টতগী অচুং রুনথানবু লায়েংদুনা ফহনবা ঙমখ্রে।

স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়রি, অচুং রুনথান হৌখিবা জন্যুৱারি ১৪ দা হার্ট নাবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলকখি। ওপন হার্ট সর্জরি তৌদুনা হার্ট হোরিবা অদু মেনশিনবগী তঙাইফদবা লৈবনা হৌখিবা জন্যুৱারি ১৮ দা অরুবা মখলগী সর্জরি পাঙথোকখি। পুং ১.২২ চঙনা ওপরেসন পাঙথোক্তুনা এম এম ১২ গী ডাইমেটর ওইবা এমপ্লাটজর ভি এস টি ওক্লুদর ডিভাইস ইমপ্লান্ট তৌদুনা মায় পাক্না লায়েংলবা মতুংদা পেসেন্ট অদু হৌখিবা জন্যুৱারি ২৬ তা ময়ূমদা হনখ্রে হায়রি।

মতম শাংনা হার্টতা নাদুনা লৈরক্লবী নুপী অসিবু লায়েংদুনা ফহনবা ঙমখিবদা স্কাই হোস্পিটালগী চ্যেরমেন অমসুং চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডো. এল শ্যামকিশ্বরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## ফ্রী গ্যেস কনেক্সন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): খুম্বোং ইন্দেন গ্রামিন ভিট্রাকনা উজ্বালা স্কীমগী মখাদা ফ্রী গ্যেস কনেক্সন ১৩০ কোন্থৌজম এসেমব্লি কনষ্টিটুয়েন্সিগী এম এল এ ডো. কেঐচ রঞ্জন, এস ডি ও পাৎশোই দৌলত খান, ইম্ফাল ১, এল পি জি সেলস ওফিসর টি কোইরেং অমদি সী এ এফ এন্দ পি ডিগী ডি এস ও ইম্ফাল ৱেষ্ট এন জয়ন্তনা খূৎশিন্নখ্রে হায়না খুম্বোং ইন্দেন গ্রামিন ভিট্রাক্কী মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# রুদা একাদেমিগী মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে




থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এনএস): থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা রুদা একাদেমিগী মহৈরোয় ১৩ হৌখিবা জন্যুৱারিগী ২৬ অমসুং ২৭ কী লোন্নবা অহিংদা স্কুলগী বোর্দিং থাদোক্তুনা চেন্থোক্লুই হায়বা ৱাহৌদা স্কুল ওথোরিটিগা য়ানদবা ফিভম অমা লালহৌলূপ কে সী পি - এম সী (প্রোগ্রেসিভ) গা লাকখিবনা মরম ওইদুনা তংদু-লৈতানা লাইরিক তম্বা ফংদবগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা ঙসি স্কুলগী গেট মমাঙদা থৌবাল কোলেজ রোদতা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোরকপদা, স্কুল অসিগী মহৈরোয় ১৩ চেন্থোক্লুবা অসিনা মরম ওইরগা লূপশিংদগী য়াদনবা চয়েৎনবা লাক্লিবা অসি য়ানিংদে হায়খি।

ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী ফাইনেল এগজামিনেসনগী মতমসু নকশিল্লক্লে। মরম অসিনা হৌজিক চয়েৎনবা লৈরিবা অসি মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিনগীদমক য়েংবীরগা হন্দোকপীয়ু অমদি ফ্রী এটমোসফ্যেরদা মহৈরোয়শিংবু লাইরিক তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়শিংনা ঙসি চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুদা 'লাইরিক নীংথীনা তম্বা ফংহনবীয়ু, এদ্যুকেসন ইন ফ্রী মাইন্দ, তুংগী য়ূম্বীরেল ঐখোয়বু তংদু-লৈতানা লাইরিক তমহনবীয়ু অমসুং অফবা অমদি ফজবা একাদেমিক এটমোসফ্যের লৈহনবীয়ু' হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

নাকল অমরোমদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালদা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক এমসু অমদি কে সী পি - এম সী (প্রোগ্রেসিভ) লূপ অনীগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবা অসিনা রুদা একাদেমি থৌবালগী ওজাশিংদা চাওনা মীপাইবা পোক্লে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা হেন্না লুশিল্লক্লবদি স্কুল অসিগী মশিং য়াল্লবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক থীগদ্রা হায়দুনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগীদমক খনবীদুনা লূপ অনীনা ইং-তপ্পা মওংদা য়াশিন্নবীরো হায়না অপীল তৌরক্লি।

রুদা একাদেমি স্কুলগী বোর্দিংদগী মহৈরোয় ১৩ চেন্থোকখিবগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগী গার্দিয়নশিংনা থিগৎলুবদা স্কুল বোর্দিংগী মায়কৈদগী থোইদোক্না অশোয়বা-অরানবা য়াওদ্রে হায়না ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা গার্দিয়নশিংনা ফোঙদোকখি। গার্দিয়নশিংনা ফোঙদোরকপদা, ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং ওইরিবা মহৈরোয়শিং অসিনা অঙাং ওইবদগী ৱাখল মপূং ফাদদুনা ষ্টদি কন্না চথরকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরকপদগী মহৈরোয়শিং অসিনা বোর্দিংদগী চেনবা ওইরম্লে। অদুমকপু মহৈরোয়শিং অসিনা মখোয় মশাগী মরাল য়াজরবা মতুংদা একাদেমি অসিগী ওথোরিটিশিংনা পুকচেল চাওনা লৌশিনবীদুনা মহৈরোয় খরদি এগজামগীদমক কন্না শেম-শারে।

গার্দিয়নশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ঐখোয়গী ইশা-ইশু ওইরিবশিংনা বোর্দিংদগী চেন্থোকখিবগী মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা করি ওইগদগে, মখোয় এগজামিনেসন নীংথীনা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না চেন্নরিঙৈ ৱাখল লৈতাদনা চমন্নদুনা লৈরিগী মরক্তা লালহৌলূপ অমনা থল্লক্লিবা ৱাফম ঙাক্না চৎপা ঙমখিদবনি হায়বা ৱাফমসু গার্দিয়নশিং অদুনা ফোঙদোরকখি।

## খুন্নাই অসিগীদমক খল্লগা কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটিগী মথক্তা অথিংবা থমখিবনি : কে সী পি - এমসী (প্রো)

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ) না কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটিগী মথক্তা লূপনা অথিংবা থমখিবদু তুংদা ওইরক্কদবা অমদি খুন্নাই অসিগীদমক খল্লগা অথিংবা থমখিবনি। লূপ অসিনা শেলগী ডিমান্দ অমদি শেন্দোংগীদমক অঙাং লল্লোন্নবা এদমিসন কোটা পীগদবনি হায়বগী নত্তে হায়না ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ) কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কে সী পি - এম সী (প্রোগ্রেসিভ) না কেথলিক সোসাইটিগী মরুমদা চলাইরিবা মহৈলোয়শঙ খূদিংমক্কী মরী লৈনবা মীওই খরদা লূপকী ৱাফম ঙাক্না চৎনবা অমদি মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওন্থোরকপা থৌওং কয়াশিং মপূং ফানা থিংমিন্ননবা অকনবা ৱাফম কয়া থমখিবা লৈখ্রে। লূপনা থমখিবা ৱাফম কয়াশিং অদুবু থৌওই-উশিৎতবা অমদি কেথলিক এদ্যুকেসনেল সোসাইটিগী মরুমদা ওর্গনাইজেসন খরনা লূপ অসিনা কৈদৌজরক্কদগে হায়বগী শীংনবা থল্লকখিবনি। লূপতা শীংনরকখিবনা মরম ওইরগা কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটি অমদি মখোয়গী মরুমদা চলাইরিবা মহৈলোয়শঙ খূদিংমক্তা অথিংবা থম্বগী ফিরেপ লৌরকখি। লূপকী খোঙথাং কয়াদা শেন্দোনগী য়াকাদা লৈবা য়াওল লালহৌ শাবা অমদি মহৈরোয়শিংগী মায়খুম উপ্পুনা মণিপুরগী মচিন তুমখৎলক্লিবা স্কুলশিংদা এদমিসন কোটা লৌদুনা অঙাং লল্লোনবা মহৈরোয়শিং ওর্গনাইজেসন খরনা লৈবাক মীয়াম মাঙদা লাউ-খোংলিবদু লূপ অসিনা লুম্না লৌদে।

কে সী পি - এম সী (প্রোগ্রেসিভ) কী খোঙথাং অসিদা মিনিষ্টর অমনা মীদিয়াগী থোঙদা কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসিবু হন্দোকপীনবা অপীল তৌরকখিবদু লূপ অসিনা তরাম্না ওকই। তৌবতবু লূপকী অপাম্বা ৱাখল্লোন অসিবুসু হেন্না মমুৎ তানা খঙবীদুনা অপীল তৌরক্লম্বা তারগদি খুন্নাই অসিগী য়াইফবা ওইমিন্নগদবনি। মদুদি নত্তদুনা নাকল নাম্মগী য়েংদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপনি হায়না লৌই। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী ৱাফমদা লূপনা থল্লিবা অথিংবা স্কুলশিংদা সিক্যুরিটি পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চুশিন্নবা ৱাৎলি। মদুগী মহুৎতা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা অমদি লায়রবা মীপাল তাংলিবা খুন্নাই অসিগী অঙাং কয়াগী মহৈলোয়শঙ ওইরিবা খুঙ্গং-খুঙ্গংগী গভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা অফবা মহৈলোয়শঙ ওইনবগীদমক সিক্যুরিটি পীদুনা খুন্নাই অসিবু কনখৎসি হায়বনা হেন্না ফরমগনি। মিসন স্কুলদা শেরান্নবা থৌওংদা সিক্যুরিটি পীশিন্দুনা লূপকা মখা তানা মুক্ননবা অমদি লূপনা মখল-মখা কয়াগী লান্দা চথহল্লক্তুনা লাঞ্জাও থোক্লবা শীনবগা পাঞ্জক ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা অথিংবা থমখিবা খোঙথাং খূদিংমক্তা মীদিয়াগী থোঙদা কনাগুম্বনা অপীল তৌরকপা লূপনা তারোই। মদুগী মহুৎতা লূপতা পাউ ফাওরক্তুনা মশা-মশাগী অশোয়বশিং লৈবাক মীয়াম খঙনা চুমথোক্কদবনি। কে সী পি - এম সী (প্রোগ্রেসিভ) না কেথলিক মিসনরি স্কুলশিংদা অথিংবা থম্বদা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয় কয়াদা নোংমা মহৈ তমহৌদবদা অদুক্কী মতিক কংলৈ খুন্নাই অসিবু লৈখা তারক্কনি হায়বসি লূপনা ময়েক শেংনা খঙই। অথিংবা থল্লিবা অসিগী মরমশিং অমদি চৎন-পথাপশিং কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটিগা মপূং ফানা ৱাখল তামিন্নরক্লবা মতমদা লৈবাক মীয়াম খঙনা লাউথোকহল্লক্কনি হায়রি।

করিগুম্বা মখা তানা লৈবাক নীংবা শাবা মীওই খুজোক খরনা অখঙ-অহৈ শাহল্লক্লবদি মতম চুপ্পগী ওইনা কেথলিক এদ্যুকেসনল সোসাইটি অমদি মখোয়গী মরুমদা চলাইরিবা স্কুল খূদিংমক মণিপুরদগী মরূ ফুক্না মুখৎখিগনি হায়বা ৱাফমসু খঙহল্লক্লি।

## এদেদ কোলেজ খূদিংমক গভর্নমেন্টনা লৌশিনবনা চুমগনি : কে এস এ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা লৈরিবা এদেদ কোলেজ কয়াগী গভর্নিং বোদি শেম্বদা চয়েৎনবা কয়া তোয়না থোক্লি অমদি নৌনা শেম্লবা গভর্নিং বোদিনসু মাগী মাগী অপাম্বা মওংদা তৌনিংবগী মওং কয়া চথবা মীয়াম্না থেংনদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা এদেদ কোলেজ কয়াদা ৱাথোক কয়া থোকখিবা অমদি একাদেমিক এটমোসফ্যের কায়হনখিবা কয়া য়াম্না থেংনখ্রে হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী সেক্রেটরি জেনরেল সেরাম হেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্নিং বোদি শেম্বা মতমদা পোলিটিকেলগী ওইবা খূৎ কয়া চঙবা অমদি গভর্নিং বোদিদা য়াওশিন্দুনা খুদোংচাবা খরা লৌনবা হোৎনবা মানবা থৌওং কয়া চথনবদগী মণিপুরদা লৈরিবা এদেদ কোলেজ অয়াম্বদা ৱাথোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি।

স্কুল, কোলেজশিংনা ঙাক্না চৎনবা লৈঙাক্না থল্লিবা মণিপুর এদ্যুকেসন কোদ ১৯৮২ সু মরী লৈনবা খূদিংমক্না ঙাক্না চৎত্রিবরা অমদি মসিসু মতমগা চানরিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মণিপুর এদ্যুকেসন কোদ অসি অনৌবা এমেন্দমেন্ট অমা দ্রাফট তৌরি হায়না লৈরকপা ফনা য়াম্না কুইরে। অদুবু হৌজিক ফাওবা চৎনদনা লৈরি অমদি মসি চৎনহন্ননবা হোৎনরকপা মতমদা কোলেজদি মুৎপগী ফিভমদা লাক্লগনি হায়রি।

গভর্নিং বোদিদা পোলিটিকেলগী ওইবা খূৎ চঙবা অমদি মীচং শেম্ন দুনা থবক তৌবনা ঙসিদি কোলেজ কয়া তপ্ন-তপ্না শিথরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরে। লোয়ননা অসিগুম্বা মওং-মতৌ কয়ানা চুম্না চৎচরিবা ওজা কয়াবুসু মীংচৎ থীহল্লে। এদেদ কোলেজ কয়াগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্তুনা মুৎখিবা য়াওরক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইবা ওজা কয়াগী অমদি মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরক্লে।

অমরোমদা থম্বালমরিক কোলেজ ওইনাম প্রিন্সিপাল ইন চার্জ খনবগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোরক্লি। থম্বালমরিক কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইন চার্জ খনবগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অসিগী মতাংদা কুমজা ২০১৫ দগী কোর্টতা কেস তৌনদুনা লাকপদগী মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৯ দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মরী লৈনবা য়ু জি সীগী রুলগী মতুং ইন্না নৎত্রগা মরী লৈনবা রিপ্রজেন্টেসন অমুক থাগৎনরগা থা অহুমগী মনুংদা প্রিন্সিপাল খনবা লোইশিন্নবা ওর্দর অমা তাদুনা কেস অসি ডিস্পোজ তৌখি। মসিগী মতুংদা জোইন্ট সেক্রেটরি হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসননা হৌখিবা জন্যুৱারি ২২ দা ওর্দর অমা থোক্তুনা প্রিন্সিপাল ইন চার্জ খনবগীএপ্রুভেল পীখি। অদুবু হৌজিক গভর্নিং বোদিনা নমশিন্দুনা থম্লি হায়বগী ৱাথোক অমা লৈরে।

অসিগুম্বা ৱাথোক অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা পোলিটিকেলগী ওইবা খূৎ থিংজিনবীদনবা কে এস এনা মরী লৈনবা খূদিংমক্তা খঙহল্লক্লি। ৱাফম অসি লুম্না লৌবগা লোয়ননা কে এস এনা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

## সী আর পি এফনা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ১০৯ বট্রালিয়ন সী আর পি এফনা ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পীপলস ওর্গনাইজেসন মোংশাঙ্গৈদা লৈরিবা হেন্দিকেপ ওইরবা অঙাংশিংদা ঙসি ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকখ্রে।



১০৯ বট্রালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমার অমদি মহাক্কা লোয়নবা ওফিসরশিং অমসুং ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পীপলস ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি অমসুং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পীপলস ওর্গনাইজেসনদা লৈবা অঙাং ৫০ রোমদা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা হায়খি, সী আর পি এফকী ১০৯ বট্রালিয়ননা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক্তা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভমদা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। বট্রালিয়ন অসিনা মণিপুরগী গভর্নরগী রাজ ভবনগী সিক্যুরিটিগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা আই ও সী এল অমসুং এফ সী আইগী গাড়ীশিং ইম্ফালদগী ডিমাপুর ফাওবা এস্কোর্ট তৌবা অমসুং মাওদগী সেনাপতি এরিয়া ফাওবগী নেসনল হায়ৱে ২ গী শরুক্তা এরিয়া ডোমিনেসনগী ড্যুটিশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা অঙাংশিং অসিবু মতেং পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খনবদগী নীংথমথাগী অইংবা খাঙনবা অঙাংশিংদা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকপনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসুং যোজ ডেমোনষ্ট্রেসনসু অঙাংশিংনা উৎখি।

ৱাই ইবেচাওবী সেক্রেটরি এ এম ঐচ পি ওনা ১০৯ বট্রালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা লূচিংদুনা অঙাংশিংবু মতেং পাংলম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## এম এস এফকী একাদেমিক কেম্পেন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচ এনএস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না ১২ রক শুবা *ঐখোয় লাইরিক নীংথীনা তমসি* হায়বা একাদেমিক কেম্পেন খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সী য়ুনিটি পার্কতা থা অসিগী ৯ দা পাঙথোক্লগনি।


থৌরম অসিদা প্রোফেসর আর কে হেমাকুমার ফোর্মর দীন ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের এম য়ু, প্রিন্সিপাল মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিনা চীফ গেষ্ট, ঙারিয়ানবম মিলন প্রসিদেন্ট এম এস এফনা প্রসিদেন্ট, ডো. মাইস্নাম বিদ্যাসাগর সেক্রেটরি কোসেম, অখাম জয়কুমার সেক্রেটরি বোসেম অমসুং খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং প্রসিদেন্ট প্রাইভেট স্কুল ডিভলপমেন্ট কাউন্সিল থৌবালনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

লীশাং শিৎনা চথরক্লিবা একাদেমিক কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না হন্দক চহী অসিগী ওইনা ১২ শুবা এনিভর্সরি নুমিৎ অসিদা এম এস এফকী ২০১৮-১৯ গী এক্সন প্লানগী মখাদা *ঐখোয় খুন্নাই খঙমিন্নসি* হায়বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসু হৌদোক্লবা শেম-শারি।

ঐখোয়গী মাঙথরক্লিবা পুৱারীগী শক্তম। লৈঙাক ৱায়েল অমদি ঙমখৈগী পাক-চাওবা পূম্নমক ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তারে অমদি ইশানা ইশাবু খঙজনবগী মতম অদু হৌজিক ওইরে। মরম অদুনা হায়রিবা কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, এম এস এফকী লাইরিক নীংথীনা তমসি হায়বা কেম্পেন অসি কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুৱারি ৯ অমসুং ১০ দা এম য়ুগী সেন্ট্রেল হোলদা হৌদোকখিবনি।

## সাইকল থৌরগা লম কোয়বা রোহন ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৭ (ঐচএনএস): পোল্যুসন ফ্রী ইন্দিয়া হায়বা ৱাখল্লোন্দা মমাঙ থা জন্যুৱারি ৮ দগী হৌদুনা দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতগী ইম্ফাল ফাওবা কিলোমিটর ২৮০০ সাইকল থৌদুনা লাক্তুনা ঙরাং ইম্ফালদা থুংখিবা রোহন ফিলেমবু ওকপগী থৌরম অমা এমসু হেদ ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা রাইদর রোহন ফিলেমনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা গ্লোবেল ৱার্মিং অসি য়াম্না চাওবা ইস্যু অমা ওইরি। মসিবু থিংননবগীদমক ইশাগী ইনিসিএটিভ অমগী অতোপ্পা পাম্বে অমা ওইনা পোল্যুসন ফ্রী ইন্দিয়া হায়বা ৱাখল্লোন্দা লমদম অসিবু পোল্যুসন ফ্রী ওইনবা সাইকল থৌজরকপনি।

রোহননা মখা তানা হায়, ঐগী ৱাখলদা চেলেঞ্জ অমা লৈ, ঐনা দিল্লিদগী ইম্ফাল ফাওবা কিলোমিটর ২৮০০ শাংন সাইকলদা লাকপা ঙম্মগা লমদম অসদা থবক তৌরিবা মীয়াম্না পোল্যুসন ফ্রী ওইনবগীদমক কৈদৌবগী সাইকলনা ওফিস চৎপা ঙম্লোইদৌরিবনো। ৱেষ্টর্ন কনট্রিশিংদা ওফিস সাইকলনা চৎপগী হৈনবী লৈ। মসি লমদম অসিদসু সাইকল শীজিন্নদুনা পোল্যুসন ঙাকথোক্লবা ৱাখল্লোন্দা হোৎনবনি।

মহাক্কী জর্নিদা থেংনরকপা অৱা-নুংঙাইগী মরমদা মহাক্না হায়, মহাক্কী জর্নি অদু য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইখি। এ জর্নি টেকন ৱিথ এক্সট্রা মাইল হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মহাকপু ইন্সপাইর তৌদুনা জর্নি অদুগী ডিসিজন লৌখিবনি। মীয়াম্না বিহার কিদব্রা হায়বা ৱাফম মঙোন্দা হায়রকখি অদুবু মহাক্কী জর্নিগী ওইনা বিহারনা খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফম ওইখি। বিহারগী য়াম্না শাথী হায়না লৌনরিবা অমসুং মমিং লৈরবা পোলিটিসন পাপু য়াদবনা মহাকপু তরাম্না ওকখি। অমসুং মফম অদুদা লম্বীদা চা য়োল্লিবশিংনা ফাওবা মহাক্না চা থকপদা শেল লৌ য়াদবগী এক্সপরিয়েন্স থেংনরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী জর্নি মনুংদা লুপা লাখ ৫/৬ মুক্কী এক্সপেন্দিচর তৌখি। মসিগী মনুংদা লাখ অমমুক মীয়াম্না পাংবীরকপা ওইখি। অতৈদি মশানা পুথোকচবা ঙাক্তনি হায়খি।

থবক অমা তৌগে খল্লবদি ইশাগী ৱিল অমা লৈরবদি ঙমদবা অমত্তা লৈতে হায়নসু রোহননা হায়খি। মখা তানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ট্রিভান্দম ফাওবা অমুক থৌখিনি হায়না ফোঙদোকখি। রোহন ফিলেম, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং ফিলেম লৈকাইদগীনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক খুন্নাই অমা অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা নহা অমসুং মহৈরোয়শিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। রোহননা কিলোমিটর ২৮০০ শাংবা লম্বী অমবু দিল্লিদগী ইম্ফাল ফাওবা সাইকলদা লাকপা অসি লমদম অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি। ইশাদ ফুল ডিটর্মিনেসন লৈরবদি তৌগে খনবা খূদিংমক ঙমদবা লৈতে। নীংথীনা পুন্সিগী পান্দম ফংদ্রিফাওবা থৌনা লৈনা মীপূম খূদিংমক্না হোৎনগদবনি হায়খি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ইনষ্টিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট (আই সী এম) গী ডিরেক্টর ডো. এন রঞ্জনাসু শরুক য়াখি।